# ফেষ্টিবেল ওফ ফোল্ক সোং

— ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ —
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর
দিপার্টমেন্ট ওফ উমংলাই হরাউবা
মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর

***নুমিৎতে*** ইমান্নবশিংনদি ছুটি ওইরবনিনা অমুক্তং পুনসি হায়না কন্না হায়জবনি। অদুবু ঐনা উরে-পারে খুমজিল্লগা চৎখিবনি। নোংমাইজিংদা য়ূমগী থবক-ইনখাং খরা তৌশিলহৌগেদি লৈত্রদনা হৌজিক্কী মতমদবু খুন্নুং ঈশৈ তাবা চৎলিবদুবু হায়নসু য়ূমদা ঈশৌ লাংহৌরিবনি। নোংমাইজিং নৎত্রবসু বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইক্নচিংবা অমা অদুম লাকচরদৌসিবু হায়না হায়জিল্লস্লগা লুপা চামা পীবা মণিপুরদা শুংবা পেট্রোল লিটর অমা হানজিন্দুনা খুন্নুং ঈশৈ অমদি খুল্লং ঈশৈ ফাংনবগী থৌরম অদু য়াওবা চৎখি। ফেব্রুৱারীগী তারিখ ১৯, ২০১৭ নোংমাইজিং নুমিৎনি। মমতাজ মণিপুরী ডান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টর, শগোলবন্দ কৈথেল, সোয়াম লৈরক্তা লৈবনা সঙ্গিৎ নাটক একাদেমি, ন্যু দেল্লিগা খূৎশম্নরগা নোংমগী ওইবা ফেষ্টিবেল ওফ ফোল্ক সোংস হায়না মিংথোনবা ঈশৈ ফাংনবগী থৌরম অমা সঙাইপ্রৌ মমাঙ লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবদু লৈকায় অদুদদি তশেংনা পূক্নিং ৱাখল ইনৌ নৌথোক্নদুনা মীয়াম পূন্বা খোইরাংহনখি। ইম্ফাল মনুংগী অচৌ অচৌবা মমিং চৎপা হোলশিংদা নত্তনা অতৈ মফমদা নোংমতা তাবা ফংদ্রবা মীতৈগী ফোল্ক সোংশিং অসি খুল্লক লৈরক, লৈরক-কোন্সাংদা তাহন্দুনা মাঙখিগদৌরবা ঐখোয়গী ইনাৎ অসিবু য়োকখৎনবা হোৎনজবনি হায়বা ৱাফম অমা শিল্পি লাংলিবশিংগী সেক্রেটরিনা শেংদোকখিবা অদুমক তশেংনা থাগৎনীংঙাইনি।

হায়বগা তৌবগা নুমিৎতু সঙাইপ্রৌগী অমদি অকোয়বগী অহল-লমনশিং, নুপী অঙাংশিং, নুপা নহাশিংনা হেন্না মশীং য়াম্না শরুক য়াখি। ইম্ফাল এরিয়াদা পাঙথোকপা সিগুম্বা কলচরগী প্রোগ্রামশিংদা অদুম য়েংনদুনা লৈরবা, ইখঙদা খঙ লৈরবা মীয়ামদগী খরা হেন্দোক্তুনা য়ৌশিনফমদি থোল্লগা ইয়ৌদি য়ৌশিনবীদবা মীয়ামদা মায় ওনশিনবগী খোঙচৎ অমা লূপ অসিনা চঙশিল্লক্লিবসি ইনাৎ কনবা অমদি য়োকখৎপগী লমদা অনৌবা মাইওন অমনি হায়না লৌজে। ইম্ফালগী অকোয়বদা প্রোগ্রাম শিল লাংবদা খুদোংচাবা কয়াদি লৈরম্বা য়াই অদুবু মীয়ামদা লম্মীৎ তুম্মিৎসু খঙহনবগা লোয়ননা অনৌ অনৌবা মীওইশিং থি থিদুনা ইথক ইপোমসি কাচিন কোয়া য়ৌশিলহনবসিসু য়াম্না মথৌ তাই।

নুমিৎতুগী থৌরম অদু অমুক্কা হেন্না মমল য়ামহনখ্রিবসি - লৈবাক্না শকখঙনরবা অফাও-অফাওবা শৈশকপা-শৈশকপীশিংনা ঈশৈ ফাংনবা নত্তবদা নৌনা তমখৎচরক্লিবা মহৈরোয়শিংদা হেন্না খুদোংচাবা পীখিবা অদুননি। অঙাংশিংনা মখোয়গী হৈশিংবা কয়াদু মতিং ফুদোকচনবগী খুদোংচাবা পীখিবদু ৱাহন্থোক য়াম্না চেনব্রা হায়না খনজে। য়াম্না তাংনা থোকপা থৌদোক ওইনা নুমিৎতুগী থৌরমদুদা অথোইবা মীথুংলেন প্রোগ্রাম পুমলোই




*য়ুম্নাম বেবেতোম্বীনা খুল্লং ঈশৈ খুদোল তম্বা*

লোইবা ফাওবা লৈবীদুনা ঈশৈ ফাংনবশিংবু খোয়দানা য়েংবীরমখিবা অদুমক শিঞ্জ লাংজরিবা লূপকী খ্বাইদগী মায় পাকপনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই খঞ্জে।

নুমিৎতুদা লাকপীখিবা মেদিয়াগী কাঙবুনদি কভরেজ তৌবিখিদ্রবা য়াম্নদি ফজবা মতাং অমা হায়বা তারগদি থৌরম মপুগী ৱারোল অদুনি। মহাক্না ফোঙখিবদা - আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা নোলেজ ফজনা লৈবা অমদি মরী লৈনবা সবজেক্টতা দিগ্রি পায়রবা মীওইশিংনা মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টর ওইরক্তবা মীকুপ অদুদি ইনাক খুল্লবা মণিপুরগী কলচরেল হেরিটেজগী মরাইবক য়াম্না থিবা হায়বদু ওইগনি হায়না থন্বীখি।

ৱাফম অমনা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোইশঙশিংনা তেংবাঙ শেল ফন্না য়াম্না পীরবসু শিল্পি লাংলিবা লূপশিংনা থম্মোয় শেংনা অমদি থৱায় কয়া য়াওনা হোৎনদবগা, মীরমগী লাইরিক অমদি কলচরদা হেন্না থৱায় য়াওশিনখ্রবা লৈবাক মীয়াম্নগা য়াম্না মীরাইবীবগা মপা-মপা থোক্তুনা ঐখোয়গী কলচর অমদি ত্রেদিসনগী মরাইবক্তি তম্বা ঙমশিল্লক্রে। কলচর এন্দ ত্রেদিসন ঙাকপা হায়বসি ফঙ্কসনগী ষ্টেজখক্তদা ঙাক্কদবা নত্তে হায়না হায়বিখিবদু য়াম্না মমল য়াম্বা ৱাফম ঙাক্তনি হায়না লৌজে। কুম্মৈদু মতম খরা তেন্না শিঞ্জরবসু য়াম্নদি নুংঙাইখি। লৈকায়গী মীয়ামসু থোরক্তুনা শেল য়াম্না থানখি। শেল অচোইবদি য়াম্না কায়জরুবগা লাকপা নুপা অমনা থৌরম হেক্তা লোইশিনথোকখিবদুদা য়াম্না নুংঙাইতনা হনখি। অদুবু মহাক্কী থৱায় য়াওবা মতৌ অদু পূক্নিং থৌগৎপীবগা লোয়ননা ফাগী তৌজখি - য়াম্না হাওবা য়েনশাংদি ওক্তনা হেক-হেক তোক্লবনি, ইখৌ লাংবা অমা পীরম্মগা হায়না। অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা মওংদা ন্যু দেল্লিনা হৈক্রুমনাদা য়োল্লগা পীরকখিবা তেংবাঙশেল লুপা লিশীং ১৮ খক্তুনা ৱানা শিঞ্জবনি হায়না অরোৎপা অমত্তা থমদনা সেক্রেটরি ওইরিবা ইয়াম্বা সোয়াম রাজেশনা থম্মোয় শেংনা পাউদমজখিবা থৌরমদু মপূং ওইনা মায় পাকখিবা অমনি হায়না লৌজে।

মীতৈ ঐখোয়দি নুপী অঙাং, নুপা নহা অমদি অহল খাক্তনা ইনাৎকী জগোয় ঈশৈ লোয়না হৈবা ফুরুপনি হায়বসি ঙসিগী মীরোলসিনদি কাউথোক্লরকপগুম তৌরে। অদুঙৈ লাই হরাউবদা খুল লৈকায়গী মীয়াম হুপ্না লাইগী থৌগল ওইনা জগোয় শাবা অমদি ঈশৈ শকপগী চৎনবী অমা লৈরম্লিবসি ঙসিগী মীরোলসিদা মতৌ করম্না অমুক হিংগৎহনগদগে হায়বসিদা ইনাৎকী থবক তৌবিরিবা লূপশিংনা পূক্নিং চঙবা মথৌ য়াম্না তারক্লি। মীতৈগী ফোল্ক সোংস অসি শৈশক-শৈদাদা য়াম্না ফজবা, য়াম্না নুংশিবা, তাবদা পূক্নিংদা অমদি থম্মোয়দা আ য়ৌনা চঙশিনবা অৱাংবা থাক্কী পার্ফোমিং আর্টনি। ঈশৈশিং অসিগা লোয়নরিবা জগোয় খূৎথেক-শাথেকশিং অমদি ম্যুজিক কয়াসিসু অসুক্কী মতিক মমল য়াম্লবা চাউথোকচনীংঙাইসু ওইবা ইনাৎকী পোৎথোক ঙাক্তনি।

ৱারী লীবা, খোংজোম শৈশক, মোইরাং শাইওন শকপনচিংবা নেরেটিভ আর্ট ফোর্মশিং অমদি মীতৈ ফোল্ক সোংস (খুন্নুং ঈশৈ, খুল্লং ঈশৈ, পেনা শৈশক্লচিংবা) ইপা ইপুশিংনা শেমগৎ শাগৎপীরম্বা মমল নাইদ্রবা ঐখোয়গী ইচাক-ইরনশিং অসি মীরাইবদি ঐখোয় কৈদৌনুংদা অশিংবা অমদি চাওখৎপা ফুরুপ খক ওইরোই। খুল্লং ঈশৈনচিংবা খুন্নুং ঈশৈশিং অসিদা মীতৈগী অমদি লমদমসিদা য়েলহৌঙৈদগী হৌমিন কামিন্নরকপা ফুরুপশিংগী হৌরক ৱারী, খুন্নাইলোন, চৎনরোল, নিংথৌরোল, লাইগী ৱারিরোননচিংবা পুৱারী কয়া অমসু য়াওরিবনি। খুন্নুং ঈশৈশিং অসিদা য়াওরিবা লাইগী ঈশৈ লাইরোল তিল্লোনশিং অসি কূপ্না নৈনরবদি ইনাৎকী ওইবা ফজ ফজরবা ৱাখল লৌশিং (ত্রেদিসনেল নোলেজ) কয়া অমসু থিবা ফংগনি হায়না থাজে। লোয়না লোয়ননা ঐখোয়গী ফজ ফজরবা সাহিত্যগী মচাক কয়ামরুমসু মরাং কায়না য়াওরিবা মীতৈগী খুন্নুং ঈশৈ শৈশকশিংনি। মীতৈগী খুন্নুংলোন, অরিবা লোনশিং নৈনরকপদা মতম চুপ্পদা থাদোক্লবা য়াররোইদবা ইপা ইপুগী ঈশৈশিং অসিবু ঙসিগী মীরোলনা অমুক নৌহৌননা নীংশিংনরক্তুনা ঈগী খোঙ্গুল লীবগুম্না থিগৎনরকপসি তশেংনা থাগৎনীংঙাইনি। মসিদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোইশঙশিংদা নত্তনা লৈবাক মীয়াম হুপ্না মতেং পাঙশিনফম থোকপ্রা হায়না নীংই।

# এন এস সী এন (আই-এম) গী সেক্রেটরি জেনরেল থুইঙালেন মুইভা/য়ু এন সী

এন জি নিলকান্তা খুমন
প্রসিদেন্ট, য়ুনিভর্সেল ফেমিলি ওর্গেনাইজেসন, সাউথ ইষ্ট এসিয়া নোর্থইষ্ট ইন্দিয়া, মণিপুর, ইম্ফাল

***ইকায়খুম্নবগী*** মশক ওইরবা এন এস সী এন (আই-এম) গী সেক্রেটরি জেনরেল ওইবিরিবা থুইঙালেন মুইভা অদোমগী মফমদা অনীশুবা ওইনা অমুক্কা হন্না হায়জরি মদুদি চীংবুরোই তম্বুরোই অনীগী থানবা য়াদ্রবা লিপুন্না তম্বুরোই ওইরিবা ননাওশিংগী নাক্তা চীংবুরোইশিংগী লুচিংপুরেল ওইনা ১১ শুবা লুচিংবা ৬০ গী মীহুৎ খনবা অসিদা ইশা লাকপীদুনা মালেমগী নিংথিরবা লৈঙাক্লোন অমগী খন্ন নৈনবা হৌবগী তাঞ্জা অসিদা খুদোংচাবা অসি লৌবিয়ু হায়জরি । অদুবু অদোমগী ওন্না তৈনবা খোঙথাং অমদনা নীংঙমদবা কয়াগা ইরোইননা নদোম শিজনীংবা শোয়দনা ফাওরক্কনি। চীংবুরোইশিংগী নীংতম্বা তাল্লম্বদগী য়ারক্তদুনা, অপূনবা ৱায়েল অমগী মখাদা লৈজগে হায়রিবদুসু কৈদৌনুংদা ওইথোক্লোই। মরমদি অহানবদসু, মথক্তসু পঞ্জখ্রিবা অদুনি, তম্পাক লম কৈদৌনুংদা নাথৈরগা চেনবা য়ারোই, হৌজিক্তি হিংবগী হক তানবগী নীংতম্বা তানবগী মতম নৎত্রে, মালেমগী য়েলহৌমী ফুরুপ খুদিংমকপু নীংতম্বা অমদি হিংবগী হক পীবগী মতম য়ৌরে, ঐখোয় ইন্দিয়াগী লৈঙাক পায়বিরিবশিংনসু ৱারৌবিরোই খঞ্জে মরমদি মসি কনাগুম্বা লৈবাক অমতগী নীংতম্বা মাঙনবা নত্তে, মালেমগী অমতা ওইবা লৈঙাক্লোন অমা শেনমিৎলোন অমগী চৎনলোনচৎনা মালেমগী মীপুম খুদিংমকপু চাকথুং ফিথুং মান্ননা খেন্নবা লৈতনা, ইকায় খুম্নবতনা অপেনবা ওইনদুনা অৱাৎ অপা খুদিংমক তাথোক তাশিন তৌমিন্নদুনা, মালেম লৈকোইপুং অসি অপীকপা ইমুং অমগা পাঙ্খক পুনশিনমিন্নদুনা হিংমিন্ননবা তাইবঙ মপূগী য়াথংনা পাউজেল পীজবনি, মরম অসিনা ইকায়খুম্নজরবা ইয়াম্বা অদোমগী মতম লোইশিল্লক্লে, দেল্লি অমদি দিমাপুরগী হেব্রোন থাদোকপীরক্তুনা, তাইবঙ মপূগী য়াথং পুদুনা, মালেমগী অমতা ঙাইরবা কংলৈপুং, মণিপুর (লাইরৈপাক) অসিদা কুমথবিরক্লবা নুংশিজরবা ইয়াম্বগী মফমদা পাউজেঞ্জবগা লোয়ননা হায়জরি।

এন এস সী এন (আই-এম) গী ফ্রন্টেল ওর্গেনাইজেসন অমনি হায়না লৌদবা য়াদ্রবা য়ু এন সীগী লুচিংবশিং অমদি থৌবুরোই খোঙবুরোই খুদিংমক্কী মফমদা য়ুনিভর্সেল ফেমিলি ওর্গেনাইজেসনগী মায়কৈদগী করিগুম্বা খরদং হায়জরি, নিংথিরবা য়ু এন সীগী মিং অসি অথুবা মতমদা হান্না অমুক্তং হোংদোকপীয়ু, মসিনা মরম ওইরগা ৱাখল মপূং ফাদ্রিবা অঙাং মচাশিংনা চোংলম চাদনা চাকথোংবি শান্নবগুম, জুগোৎ চাদবা মীমাঙ থোক্লা চোপ্পা, ইকায়বা নংগদবা, চৈরমদা থোংখোং শাবা থবক কয়াদগী কনবিয়ু। লোয়ননা ঙল্লিঙৈ মতম খরগী মমাঙদগী চীংবুরোই নখোয় মশেলগী মরক্তা এন এস সী এন হায়না মমি তম্বা হৌরকপা অদুৱাইদগী থরুম তৌবা হৌনরক্তুনা পু অনী থোক্লা খাইদোক্লকখি। কুকীশিংগী হৌরকফম ওইবশিংনা কুকী ত্রাইবনি হায়দুনা য়ুংদুনা লৈখ্রে, নাকল অমদনা লৈশেমলক্তগী য়াওরক্তবা মিংথোল নঙগাদগী লাকখিবা নাগা হায়বা মিংথোন ৱাইজদুনা থরুমগী ইরৈ অমগা লোয়ননা এন এস সী এন হায়না মরু পানদবা চারা, উপাল অমা ওইনা হৌরকখি, কুকিশিংগী মথক্তা অকনবা প্রেসর লাকখি। কুকি অমদি নাগাশিংগী মরক্তা য়ূম কয়া মৈ থানখি। থৱায় কয়া মাঙনখি। অসিগুম্বা ৱাথোক কয়া অমগী থরুমদগী এন এস সী এন অনী থোক্লকখি। এন এস সী এন (আই-এম) অমদি এন এস সী এন (কে) হায়না খঙনরে। আই-এমগী নুংগী ওইবা অপাম্বা খুদিংমক মপান থোক্লা মীচম মীয়ামগা তুনা চৎমিন্নবা য়ানবা য়ু এন সী শেমদুনা খূৎলাই পায়দ্রগনা য়ু এন সী ওইরে, খূৎলায় পায়রগনা আই-এম ওইরে। ময়াম্না হায়নবা শেলগী মমাই অনী লোংই হায়বা মওংদা চপ মান্ননা লাক্লি। আই-এমনা কুকিশিং লৈবা য়ারোই তাল্লমখি। য়ু এন সীনা সদর হিল/জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট শেম্বা য়ারোই হায়না য়েংলি। দিষ্ট্রিক্ট শেম্বদি খ্বাইদগী লাইবক ফবনি। অদুবু মসিগী মলোমদগী হায়ৱেশিং মতম কক্তনা থিংলি, চীংদা চাওখৎ থৌরাং য়ৌদ্রে চীংমী মখৈ অপূনবা ৱায়েল অমগী মখাদা লৈজগে হায়বিরিবদুনা য়ামখ্রবা কুকিশিং অসি মখোয়সু তাইবঙ মপূনা শেম্লকপদা য়াওরকখ্রবনি। মখোয়শিং অসি কদাইদা থম্বীরমগদৌরিবনো। চীংদা চাওখৎ থৌরাং য়ৌদে হায়বিরিবদো ইন্দিয়াগী ৱায়েল মখাদা হেক পুল্লকখিবদগী চীংবুরোইশিংগী মীহুৎ মখৈ ইম্ফাল সিটিদা লোইনা লম লৈদুনা লৈনরি । মখোয় মখোয়গী মরী মতাদা নত্তনা শেল খরবু পায়রবদি তম্পাক্তা লোইনা লম লৈনদুনা ১০০ দা ৬০ দি তম্পাক্তা লৈরে। য়ু এন সীগী লুচিংবা অমদি খোংবুরোইশিংসু অদুমক ইম্ফালদা লৈ। মী য়ামদ্রবদি চাওখৎপা ৱাৎপনি। তম্পাক্তা লৈরিবা চীংমী খুদিংমক লোইনা চীংদা পুখৎপীয়ু নৎত্রগা চীংমীনা তমদা খুন্দাবা য়াহনবগুম, তমগী মীশিংসু চীংদা খুন্দাবা য়াহল্লু চাওখৎপা কুইরোই, নুংশিনবা হেল্লক্কনি। এন এস সী এননি হায়দুনা চহী ৫০/৬০ দগী ঙসি ফাওবা হোৎনরক্লিবা চঙলিবা শেল ময়াম অদু কদাইদগী ওইগদৌরিবনো। মদুসু উবা ফংবিদ্রব্রা। অদোমগী য়ু এন সীগী প্রসিদেন্টনা হায় কোর্টকী জজ মমাঙদা লম্বী থিংবসি লোনা য়াদে হায়বা খঙজহৌদ্রে হায়রিবদু শিগদবগী শরুক ঙক য়োনবনা ফৈ হায়বদুনি। হৎদক্তি ইকায়খুম্নজরবা জজশিংনা য়ু এন সীগী প্রসিদেন্ট ইবুংঙো ননপ চোরে শিৎতোকপীগে লাও হায়না কৌশিনবিরকপা ওইসনু। অদোমগী অপাম্বা অমতা মালেমগী দেমোক্রেসিগী চৎনলোনচৎতা য়াওদে, ঐখোয়না তংদু লৈতাবা, ঈং তপ্পা, লাল লৈতবা মালেম অমগীদমক মালেম শিনথুংনা পাউজেনজরিবনি। ঐখোয়গী ৱেব সাইটতা য়েংবিয়ু অদোমগী অপাম্বা ১০০ গী মনুংদা ৯৯ দি শোয়দনা য়াওরমগনি। পূম্নমকসি তোল্লসি হৌখিবনা হৌখ্রে হৌজিক্তি ঐগী হায়বা অপীকপা ৱাখল্লোন খুদিংমক থাদোকমিন্নদুনা অমনা অমগী মতেং পাঙনদুনা চীংবুরোই তম্বুরোই অনীগী থানবা য়াদ্রবা লিপুন্না মালেম অসিদা চাকথুং ফিথুং মান্নবা, ইকায়খুম্নবনা অপেনবা ওইনবা নিংথিরবা লৈঙাক্লোন অমনা মালেম মীপুম খুদিংমকপু কোনশিলমিন্নদুনা ঙসিগী মীরোলনা লাল লৈতবা মালেম অমা তুংদা লাক্কদৌরিবা মীরোলশিংগীদমক্তা খুদোল তম্মীন্নরমসি হায়জবগা লোয়ননা অদোম্না তৌবিরিবা ইকনমিক ব্লোকেদ খুদক্তা হন্দোকপীয়ু। শেম্বীবা মপূগী পরমদা য়াম্না অকায়বা লাক্কদৌরে হায়জরি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ


## শিবদি কনাসু পাম্লোই

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

***লৈবাক*** অমগী নিংথৌ ওইরবসু মমিং চৎপা নত্তে। মহাক্না পাল্লিঙৈগী মতমদা মমিং ফন্না নিংথিজনা চৎলবসু মহাক্কী মতম লোইখিদুনা মাগী মচা নৎত্রগা ধারা নালা ওইবা অমনা নিংথৌগী খুভম লৌখিবদা মীচম মীয়ামগীদমক করি অমত্তা তৌদনা নোংমা নোংমগী মতম হৌহনবগী হৈনবী লৈদুনা মীচম মীয়ামগীদমক করি অমত্তা খন্দবা মশাগীতা শোয়দ্রগা লোইরে খনবা মসিসু অদুমক নিংথৌশিংগী মনুংদা য়াওদবা নত্তে।

চহী কুইরা কুইরগা মমিং মুৎপা, কনানসু নীংশিংবীদবা য়াওরিবা পোৎনি। অহোংবা ময়াম অমা নোংমা নোংমগী হৌখিবনা মমি ওইরম্বনা মমি নৎলক্তবা, মমি নৎলমদবনা মমি ওইরকপা, মুন্না খল্লুবদা লাক্লরোই হায়না ফনা থাজদুনা লৈরম্বা অদু ফাওবা থাজদনা থাজরকপা তাইবঙ মীওইবগী হৌনশা ওইদৌরি। তাইবঙ মীওইবা হায়বসিনা য়ামথোরক্লিবা মখৈ নুংশিনদবসু হেনগৎখিদৌরি। নোং কন্না চুবা মফমদা পাৎ তুরেল ঈশিংনা মৌখৎতুনা ঈচেলগী মথৌ ওইজরিবা তুরেল ফাওবা তোর্বান্দা নিংখাইদুনা খুলক-কৈরক্তা ঈশিং চেনশিল্লকপা য়াম্না তোইনা থোক্ত্রবসু থোকপদি অদুমক থোক্কদৌরিবনি। মসিগুম্বা থৌওংসি তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়না পাম্বা নত্তে। নেচরেল অমদি খূৎশেমগী ওইবা অনীসিগী মনুংদা খূৎশেমনা চেকশিন্দবদা নেচরেলগী থৌদোক্লা মনিং তৌনা অশি অনা থোক্লবা, মৈহৌ লাংপোক থোকহল্লিবা পূম্নমকসিগী অশোয়বা ওইরক্লিবসি চেকশিন্দবনা অশোয়বদু ওইরকপনি।

মৈহৌ লাংপোক, ঈশিং ঈচাও থোক্তনবগীদমক চেকশিন থৌরাংদা গভর্ণমেন্ট অমনা শক্তি শীজিন্নদুনা মীচম মীয়ামগী শোয়গদবদগী মাঙজৌননা শেমজিনবা অমসুং শাজিনবা হায়বসি মথৌনি খন্দনা লৈরবদি মীয়ামগী অচৌবা ঈহৌ নমদনা লাক্কদৌরিবনি। গভর্ণমেন্টনা থিংবা ঙল্লরোইদবা কয়া অমা লৈতবা নত্তে। তৌগদবা থবক্তি তৌদনা হোরেল হয়েং খন্দুনা লৈথোকপা মসিনি শোয়গদৌরিবসি। শোয়বা য়াবা থবকসিদি চেকপু চেকশিন্দ্রবা অশোয়বা অদুমক লাল্লগদবনি। তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়দি চাবা থকপা




ৱাৎত্রগা হিংবা নুঙাইরগনি খল্লুবা য়াবা নত্তে। মীওইবগী কাঙলুপ্তা লৈরিবা চৎনবী ময়াম অমা লৈরিবসি ঐদি হৈনদে হায়দুনা লৈথোকউবা য়াবা নত্তে। চুশিনবা ঙমদনা নাইতোম তাদুনা লৈরবা মসিনি মীয়ামগী মরক্তগী তোকখায় তারিবসি। মীয়ামগী মরক্তা লৈরগা তরক-তরক ইদোমতা হিংবসিদি থৌদোক ৱাথোক অমা লাকপদা করিনুংগীনো শোয়দনা খল্লক্কদৌরিবনি। নাইতোম তাবা ষণ কৈন্না চাই হায়বা অদুমা নোংমদি থোক্কদৌরিবনি।

শিংগদবা মতাংদনা শিংদ্রগা শিংলোইদবা মতাংদা শিংবা মসিদি য়াওশঙ মতুংদা অবের থুংঙবা হায়বদুনি। মোন্দ্রং চুদুনা নিঙাইদনা লৈথোক্লরগা মতাং মতম চাদনা থবক ফরকপা, মতাং মতম চাদনা খোঙবা ক্বাক তাদনিঙাই লৈরোই। থবক্তি তৌদবা য়াবা মখৈ তৌদনা চীন কাংজৈগী থৌওংসিমদি কুইনা অদুমক চৎথদুনা লৈরবা মমৈদা অঙাওবা তাদনিঙাই লৈরোই। মীওইবা অমা ওইনা য়াম্না মরুওইরিবসি চীনগা খূৎকা মান্ননা তৌবা অদুবুনি মীয়াম্না ঙাঙনগদৌরিবা শোন্নগদৌরিবা? হৈবোং মনুংগী তুমিৎকুম্বা মীওইনা অশিংবনি, অখঙবনি হায়দুনা পংঙাঙ ঙাঙবা অশিংবা মীনা তানিংদে। ব্রাহ্মামক্না তোপ তৌবদা পোকঙমদ্রবা তাইবঙ মীওইবগী মপোকপু করিসু নৎতবদা জঙ্গলদা লৈবা শাহিং চাবা জীব ফাওবনা তৌরোইদবা থবক ময়াক অমা হৈনবী ওইনা তৌরকপা, মীওইশিংদু মীওইবনি করম হায়গনি? মশাগী মপুন্সি লোইদুনা শিখিবনা শিখ্রবসু, ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবদা মদুনা লাইচুখিবদগী হেঞ্জিন্না চাশিল্লুবদগী তাইবঙ চেংজেল লোইখিবা পাম্মুদে করম হায়গনি? মরৈবাক কন্নবগীদমক থৱায়না পোম্বা ওইদুনা অশিববু করিসু লৈতনা নোক্না নোক্না মথৱায় থাখিবা নীংশিংলুবদা পাম্মুদবা ঙমদে। পাম্মু পাম্মুনা পোক্লফম ইমাগীদমকনি হায়দুনা অথৌবা কয়া অমা শিববু করিসু লৈতনা, অকি অখঙ য়াওদবা মখৈ পোক্লফম ইমাগীদমক থৱায় থাখিবা চহী ফন্না কুইরবসু নৌহৌননা ঙসিসু নীংশিংদে করম হায়গনি? পোকপনা ইমানা পোকপীরগা শিবনা পোক্লফম লমদম ইমাগী তম্পাক্তা নিঙাইবা লৈতনা য়াতাদৌরিবনি। মসিমক ঙল্লবা পোকপগী মহয় য়াল্লবনি। ফজবা, নুংশিবা, ইনাক খুনবা-খুন্দবা পূম্নমকসিবু শিরবা মতুংদা পুবা য়াবা নত্তে। হে! মীওইবা! নহাক য়াম্না কুইনা হিংগদবা নত্তে।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা, খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*